# ইন্দিয়াগী টিমনা অফঘানিষ্টানগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িংগী ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে



দোহা, জুন ১৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা ঙসি কটারগী কোনুং দোহাদা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং অমসুং এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িংগী অপূনবা টুর্নামেন্ট অদুদা অফঘানিষ্টানগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎপদগী গ্রুপ ঈগী ওইনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমদুনা কুমজা ২০২৩দা চাইনানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িংগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ৭ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, অফঘানিষ্টানগী টিম মেটচ ৭তা পোইন্ট ৫ ফংলগা ৪শুবদা লৈখি। মখোয়না করিগুম্বা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীবা ঙম্লম্লবদি মখোয়সু এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িংগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ৪দা ইন্দিয়া অমসুং অফঘানিষ্টাননা তাজিকিষ্টাননগী সিটি দুসানবেগী সেন্ট্রেল রিপব্লিকান ষ্টেডিয়মদা গ্রুপ ঈগী অহানবা মেটচ শান্নবদসু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানগী মায়োক্তা কা-হেন্না প্রেসর পীদুনা শান্নবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ অদু অফঘানিষ্টানগী মায়কৈদগীসু বোল ফংদুনা ইন্দিয়াদা এটেক চথবা ঙমখি। পাঞ্জল চন্নদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখিবনি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখায় ফাজিল্লকপদা ইন্দিয়াগী এটেক অমদা ওই থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী অশিক কুরুনিয়ননা বোল অমা কাওশিল্লকপদা ইচম চম্না ফাবা য়ারম্বা বোল অদু অফঘানিষ্টানগী গোলকিপ্পর ওভেজ অজিজিনা মখূৎনা ফারবা মতুং নান্থখিবদগী মখোঙদা পাল্লগা নেট মনুংদা চঙখিদুনা মেটচ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াদা মখোয়না পাঞ্জল ১ খূদোল তমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা এটেক তৌরগা চনখিবা পাঞ্জল নৎত্রবসু মখোয়গী পাঞ্জল অমা লৈবদা টিমগী মেম্বর পুম্নমক্না হরাউবা ফোঙদোক্লখি।

মখা তারকপা মেটচ অদুগী মতম অয়াম্বা অফঘানিষ্টাননা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না তকশিল্লকখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ৮ লোমৱাৎলিঙৈদা অফঘানিষ্টানগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা হোসেন জমালনা মহাক্কী টিমমেট নুর হুসিননা ইন্দিয়াগী দিফেন্দর অনী লান্থোক্তুনা পুশিল্লকপা বোল অদু খায়দোরকপদা জমালনা অশোয়বা য়াওহন্দনা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর গুরপ্রিট সিংহ সানধুবু মায়থীবা পীদুনা ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা ফংবা ঙমখি।

মেটচকী ওইনা মিনট ৪গী ইঞ্জুরি টাইম হাপ্পুনা শান্নরকপদা ইন্দিয়া অমদি অফঘানিষ্টানগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্মদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়া পোইন্ট ৭ ফংবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িংগী অহুমশুবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদু মরুওইনা ইন্দিয়াগী ফজবা এটেক কয়া য়াওবা ঙমখিদে।

# মেসিগী পাঞ্জলনা অর্জেন্টিনা মায় পাকহনবা ঙমখিদ্রে, চিলিগা দ্রো চৎখ্রে, পারাগুৱেদি থোইখ্রে



ব্রাসিলা, জুন ১৫ (এজেন্সী):
সাউথ অমেরিকা কন্টিনেন্টকী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লিওনেল মেসিনা কাওখিবা য়াম্না ফজবা ফ্রীকিক্কী পাঞ্জল অদুনা চিলিগা শান্নবদা মায় পাকহনবা ঙমখিদ্রে। পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা পারাগুৱেনা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে।

অর্জেন্টিনানা চিলিগা ঙরাং নিলতোন সান্তোস ষ্টেডিয়মদা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী হৌরকপদা লেং মান্ননা পুংখায় অমরোম শান্নবা ঙমখি। পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচ অদুগী মখা চথরকপা অর্জেন্টিনানা ফংখিবা বোল অমা চিলিগী দিফেন্দরশিংনা ফাউল তৌরুবগীদমক দিবোক্স মপান্দা ফ্রীকিক্ অমা অর্জেন্টিনানা ফংখি। খূদোংচাবা অদু মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা কাওখিবদা চিলিগী ৱাল অদু লান্থোক্তুনা গোলকিপ্পর অদুবুসু মায়থীবা পীরগা পোষ্টকী ওই থংবা কাচিন্দা চঙদুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনবদা চিলিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ চিলিনা চথখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু চিলিগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অর্টুরো ভিদালনা কাওখিবদা গোলকিপ্পরনা ঙাকথোকখি। ঙাকথোরকপদা হাইদোরকপা বোল অদু চিলিগী অতোপ্পা শান্নরোয় ইদ্বার্দো বর্গাজনা কাওশিন্দুনা ৫৭শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী লম্বা হেন্না মান্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা শান্নবগী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

ব্রাজিলগী অতোপ্পা ষ্টেডিয়ম পেদ্রো লুদোবিকো ওলিম্পিক ষ্টেডিয়মদা কোপা অমেরিকাগী ওইনা পারাগুৱে অমসুং বোলিভিয়া লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ১০শুবা মিনটতা বোলিভিয়াগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেকতা ফংখিবা পেনাল্টি অদু শান্নরোয় অর্বিন সাবিদ্রানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা পারাগুৱেবু মখোয়না ১-০দা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পারাগুৱেগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা হাফতা মখোয়গী মায়কৈদগী য়াম্না ফজদুনা ৬২শুবা মিনটতা অলিজান্দ্রোনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং ৬৫শুবা অমসুং ৮০শুবা মিনটতা এঞ্জেল রোমেরোনা পাঞ্জল ২ থংন-থংননা চল্লগা ৩-১দা থোইবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী সুমিট নগাল চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতগী মায়থীহৌরে

ন্যু দেল্লী, জুন ১৫ (এজেন্সী):
ফ্রান্সতা লৈবা এক্স এন প্রোভিন্সতা পাঙথোকপা য়ুরো ১৩২,২৮০গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুমিট নগাল মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অদুদা সুমিট নগাল ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় ত্রিষ্টান লামাসিনগা য়াম্না নক্লবা মওংদা শান্নখি। অহানবা সেট অদু সুমিট নগালনা ৬-৪দা থোইরগা মাঙজিল থাখিবনি। অদুবু অনীশুবা সেটতা লামাসিনগী মায়কৈদগী ফজরক্তুনা গেম ৬-৬তা লৈনবদগী টাই ব্রেক শান্নবদা লামাসিননা ৭-৫দা থোইখি।

অহুমশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় নগালগী মায়কৈদা অশোনবা মফম কয়া য়াওরকপদগী মদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা লামাসিননা সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙম্লগা নগালবু ৬-১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রামকুমার রামানাথননা বৃটেনগী নোটিংঘমদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িংগী অরোইবা রাউন্দদা পোলেন্দগী শান্নরোয় কেপর জুকপু ৬-৩, ৬-৭ (১-৭), ৬-১দা থোইদুনা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়াবা ঙম্লগনি।

মরক অসিদা, জর্মনিগী হেলদা পাঙথোক্লিবা য়ুরো ১,৪৫৫,৯২৫গী শেলগী মনা লৈবা হেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দলবসতা ইন্দিয়াগী প্যের রোহন বোপানা অমসুং দিবিস সারন অহানবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙমখি। ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা মোলডোভাগী রাদু অলবোট অমসুং জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিবু ৭-৬ (৮-৬), ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

# কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা রেকোর্দ থমদুনা পাঞ্জল ২ চল্লবা মতুং মমাংগী চেম্পিয়ন পোর্টুগালনা হঙ্গেরিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে



বুদাপেষ্ট, জুন ১৫ (এজেন্সী):
য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী গ্রুপ এফকী অহানবা মেটচতা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন পোর্টুগালগী কেপ্টেন ওইদুনা শান্নরকপদা লম্বা ওইখিবা হঙ্গেরিগী মায়োক্তা পাঞ্জল ২ চন্দুনা য়ুরোগী রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা মেটচ অদুসু মখোয়না ৩-০দা থোইখ্রে।

ঙসি হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা লৈবা হুসকাজ এরেনাদা ভাবোক লিশিং ৬৫ রোম্না মীৎয়েং তাদুনা মেটচ অদু য়াম্না লেং মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা লৌদুনা হঙ্গেরিগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা পোর্টুগালগী মায়কৈদা এটেক চথবা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংখি। অদুবু পাঞ্জল চনবগী তাঞ্জা লৌবদি ঙমখিদে।

রোনাল্ডোনা পোর্টুগালগী শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ মঙারক শরুক য়াদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা অহানবা শান্নরোয় ওইবা ঙম্লি। রোনাল্ডোনা ঙসি পাঞ্জল ২ চল্লগা ১০৬ শুখি। ইরানগী শান্নরোয় অলি দেয়িসনা পুন্না পাঞ্জল ১০৯ চন্দুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না চনবগী রেকোর্দ থম্লি।

ঙসি রোনাল্ডোনা পোর্টুগালগী কেপ্টেন ওইদুনা শান্নখিবা মেটচ অদু মহাক্কী লৈবাক্কী ১৭৬লক শুবা মেটচনি। মহাক্না য়ুরোদা পাঞ্জল ১০ চন্দুনা অহানবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ অদুসু মতম কুইনা পাঞ্জল চন্দনা লাকখি। হঙ্গেরিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চল্লে হায়না হরাউবা ফোঙদোক্লুরবা মতুং ওফসাইদ তারম্বদগী পাঞ্জল অদু লৌখিদে। শান্নবগী ৮৪ শুবা মিনটতা পোর্টুগালনা চঙশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় রাফেল গুইরৈরোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ৮৭শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অদু পোর্টুগালগী কেপ্টেন রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অদুগা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-০দা হঙ্গেরিবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নবা গ্রুপ ঈগী মেটচতা স্পেন অমসুং স্বিদেন পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ৱর্ল্ড টেষ্ট ফাইনেলগীদমক ইন্দিয়াগী টিমগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

সাউথমটন, জুন ১৫ (এজেন্সী):
থা অসিগী ১৮দা ইংলেন্দগী সাউথমটন সিটিদা লৈবা এজিয়াজ বাউলদা ন্যু জিলেন্দগা ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড টেষ্ট ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেটচ অদুগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

পুন্না শান্নরোয় ১৫গী মমিং লাউথোকপদা হান্না টেষ্ট মেটচ কয়াদা শরুক য়াদ্রিবা মহমদ সিরাজ অমসুং হনুমা বিহারিগী মমিং য়াওখি। ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী প্রোটোকোলগী মতুংইন্না কোভিদ লায়না লাইচৎ মনুংদা শান্নরোয়শিংগী মশীং হেনগৎতুনা ১৫ লাউথোকপা য়াহল্লিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি ইংলেন্দ য়ৌরক্ত্রি ঙৈদা ওষ্ট্রেলিয়া টুর শান্নরুরবা মতুং লাকখিবনি। মদুদা য়াওরুবা ময়াঙ্ক অগরৱাল, ৱাশিংটন সুন্দর অমসুং সার্দুল হন্দক্কী টিম অসিদা মমিং য়াওখিদে।

অমরোমদা, ইংলেন্দগা শান্নখিবা সেরিজদা মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী টেষ্ট ক্রিকেট টিমগী শান্নরোয় অঝর পটেলসু ইরাই নুমীৎতা হৌগদৌরিবা টেষ্ট মেটচ ফাইনেল অদুদা য়াওরোইদৌরি। ৱিকেট কিপ্পর অনীগী মনুংদা রিশব পন্টনা নম্বর ৱান ওইরগা রিধিমান শাহনা ষ্টেন্দবাই ওইনা শরুক য়ারি।

খনগৎলবা শান্নরোয় ১৫ অদুদি রোহিট শর্ম্মা, সুবমান গিল, চিটেশ্বর পুজারা, ভিরাট কোহলি (কেপ্টেন), অজিনক্যা রাহনে, রিশব পন্ট, রবিন্দ্র জাদেজা, হনুমা বিহারি, উমেশ য়াদব, রবিনচন্দ্রন অস্বিন, মহমদ সামি, ইশান্ট শর্ম্মা, জস্প্রিট বুমরা, মহমদ সিরাজ অমসুং রিধিমান শাহনি।

# য়ু এস এগী এথলিট সেলবি হোলিহন এনাবোলিক ষ্টেরোইদ পোজিটিভ ওইবদগী চহী ৪ অথিংবা থমখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জুন ১৫ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী নুপী এথলিট সেলবি হোলিহন এনাবোলিক ষ্টেরোইদ নান্দ্রোলোন টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী চহী ৪গী অথিংবা থমখ্রে।

মিটর ১,৫০০ অমসুং মিটর ৫,০০০গী য়ু এসকী রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবী সেলবি হোলিহননা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক্না মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহন্নবগীদমক্তা পোৎয়ান অমত্তা শীজিন্নবা লৈতে হায়রি। মমাংদা অমুক ফাওবা নান্দ্রোলোন হায়বা ৱাহৈ অসি তাখিদ্রি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা থম্লক্লিবা অথিংবা অসি মহাক্কী সেম্পলদা নান্দ্রোলোন য়াওরম্বা থেংনবদগীনি।

এথলিট অসিনা সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা, ওক চাবনা হকচাংদা নান্দ্রোলোন থেংনবগী তাঞ্জা য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়খি। ওককী মশাদা নান্দ্রোলোনগী চাং অসি য়াম্না য়াওই। মহাক্না দিসেম্বর ১৫গী টেষ্ট তৌখিবা অদুগী মাংওইননা মেক্সিকন ফূদ ট্রুক অমদগী ওককী মিট অদু লৈরগা চাখি হায়রি।

মহাক্না এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটতা পাউ পীখ্রে। লোয়ননা ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী ইন্দিপেন্দেন্ট এন্টি দোপিং এজেন্সী ওইরিবা এ আই য়ুনা মহাক্কী জানুৱারী থাদা টেষ্ট পোজিটিভ ওইরকখিবা অদুনা সস্পেন্সন থম্লকপনি হায়রি। চহী ৪ অথিংবা থম্লকপা অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অমদি ২০২৪ পেরিস ওলিম্পিক গেমসতসু য়াওবা য়াররোই।

# ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদবা সাই প্রনিট তেলঙ্গনা লৈঙাক্না ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে

হায়দরবাদ, জুন ১৫ (এজেন্সী):
জুলাই ২৩দগী টোকিওদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোয় ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা বি সাই প্রনিটপু তেলঙ্গনা লৈঙাক্না ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

ঙসি তেলঙ্গনা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভি শ্রিনিভাস গোরনা ওলিম্পিক্স শরুক য়ারগদৌরবা অমদি মমাংদা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রবা বি সাই প্রনিটপু ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মতেং ওইনবা শেল ওইনা লাখ ৫সু খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদু স্পোর্টস মিনিষ্টর শ্রিনিভাসকী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবনি। মদুদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ তেলঙ্গনাগী চ্যেরমেন এ ভেনকাটেশ্বর রেদ্দি অমদি অতোপ্পা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

তেলঙ্গনাগী শান্নরোয় অমা ওইবতা নৎতনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা বি সাই প্রনিট অমদি মহাক্কী অপোকপা অমদি অপোকপীবুসু ইকাই খুম্নবা উৎপা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্তা শান্নরোয় ওইবা ঙম্লবা তেলঙ্গনা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ক্রোর ২৫.৮৭ পীবা লৈখ্রবনি। মহাক্না মখা তারদুনা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখরা রাওগী মীৎয়েং মখাদা স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্না লোইশিল্লক্কদৌরে হায়খি।

# আই ও সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট জোন কোটস টোকিওদা থুংখ্রে, রুল বূক্স লোইশিল্লগনি



টোকিও, জুন ১৫ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জোন কোটস ঙসি টোকিওদা থুংখিবগা লোয়ননা কোভিদকা মরী লৈনবা রুল বূক্সশিং অদু পুথোক্লুবা হোৎনরগনি।

জোন কোটস আই ও সীগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি য়েংশিনবগী ওফিসল ইন-চার্জনি। মহাক্কী মায়কৈদগী জপানদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৈরবসু চহী ১ য়ৈথোরক্লবা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাফম মমাংদা থমখ্রবনি।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগাবু জি ৭গী লুচিংবশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়ূম্বু ওইদুনা জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক শৌগৎকনি হায়বা ৱাফম লৈরি।

থা অসিগী ২০ ফাওবা টোকিও অমদি অতোপ্পা জপানগী সিটি খরদা কোভিদকা মরী লৈননা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৈরিবনি। হৌজিক-হৌজিক জপানদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী অনৌবা কেস মশীং হন্থরক্লি। লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পগী তপথরম্বা থবকশিং অদুসু খোঙজেল য়াঙখৎলক্লি।

আই ও সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, ওলিম্পিক ভিলেজদা লৈগদবা মীওইশিং অদু চাদা ৮০দি মপূং ফানা ভেক্সিন কাপথোক্কনি হায়রি। রুল বূক্সকী অরোইবা মতাং অদুসু জোন কোটসকা লোয়ননা থমগদৌরি। মসিগী মনুংদা শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক্স মনুংদা চৎকদবা কাঙলোনশিং অদু য়াওরি।

# জপানগী কৈ নিশিকোরি হেল ওপনগী ২শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

হেল, জুন ১৫ (এজেন্সী):
জর্মনিগী সিটি হেলদা লৈবা গেরি ৱেবর ষ্টেডিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা হেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ২৮শুবা এদিসনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা জপানগী কৈ নিশিকোরি অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

নিশিকোরিনা অহানবা রাউন্দদা লিথুয়ানিয়াগী আর বেরানকিসকা লম্বা তৌনরকপদা সেট ২-১দা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট নিশিকোরিনা বেরানকিসকী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইবা ঙমখি। অদুবু বেরানকিসকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেটতা হেন্না ফজরকপদগী নিশিকোরিগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি। মদুদা নিশিকোরিগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না পুথোরকপা ঙম্বদগী বেরানকিসকী সর্ভিস গেম অনী মহাক্না অমুক ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌরকপনি।




নিশিকোরিনা হয়েং অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ স্পেনগী আর বোটিষ্টা অগুটপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৬ (৭-০)দা থোইরম্বা য়ু এস এগী এস কোর্দাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভ অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। মহাকপু জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুপকা লম্বা তৌনবদা সেট ০-২দা মায়থীবা নংখি। অহানবা সেট লম্বা মান্ননা শান্নরম্বদগী টাই ব্রেকতা ষ্ট্রুপনা ৭-৬ (৮-৬)দা থোইরগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু মহাক্কী মায়কৈদগী ফজবা হেন্দুনা ৬-৩দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ষ্ট্রুপনা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী ভি পোস্পিসিলবু ৭-৬ (৭-৪), ৭-৬ (৮-৬)তা থোইরম্বা য়ু এস এগী এম জিরোনবু লম্বা তৌনরগনি।

জিওর্জিয়াগী শান্নরোয় এন বাসিলাসভিলিনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গাইলস সেমনবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৪দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। রসিয়াগী রুব্লেভসু অনীশুবা রাউন্দ শান্নরগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 141**

**GM Shirov, Alexei (2647) - GM Xiong, Jeffery (2709)**
**Speed Chess Super Swiss chess.com INT (15), 2020.10.03**

| | |
|---|---|
| 1.e4 d5 | 2.exd5 Qxd5 |
| 3.Nc3 Qd8 | 4.Nf3 Nf6 |
| 5.d4 g6 | 6.Bg5 Bg7 |
| 7.Qd2 a6 | 8.Bh6 O-O |
| 9.Bxg7 Kxg7 | 10.h4 h5 |
| 11.O-O-O Bg4 | 12.Be2 Nbd7 |
| 13.Ne5 Bxe2 | 14.Qxe2 Nb6 |
| 15.g4 hxg4 | 16.h5 Nxh5 |
| 17.Qxg4 Rh8 | 18.Rdg1... |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 140 Ans. :**
32. ...Qe5 33. Rxh6+ gxh6 34. Qg8#
33. Rxh6+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com